# ঐখোয় ষণ নত্তে-কো!



**- এস ইন্দ্রকুমার-**

ইন্দিয়া'দা লৈরিবা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী মনুংদা, ঙসিগী নুমিৎ অসিদা খ্বাইদই হেন্না শোৎথবা, লৈপাক ঙাকপা হৈতবা, মশক খঙবা ঙমদবা, মোষ্ট দিফিকল্ট ষ্টেট টু রুল এন্দ অন্দরষ্টেন্দ ... 'মণিপুর'নি হায়বসি মীপূম খুদিংনা য়ানরে। ব্যুরোক্রেট ওফিসরশিংনসু, মিলিটরি ওফিসরশিংনসু, জর্নেলিষ্ট অমদি এদ্যুকেটেদ ক্লাসকী মীওইনসু - মান্নবা খোঞ্জেল অমত্তদা হায় - মণিপুর হেজ বিকম এ ফেন্দ ষ্টেট (মণিপুরসি হৌজিক লৌখৎপা য়াদ্রবা লম হায়বদু ওইরে)।

য়ানীংদ্রবসু য়াবা তা'মাল্লে ঐ। তাইবঙসিদা লাকখিবা দিকেদ তরেৎ শুরক্লবা, অসুপ কুইবা মতমসি ঐহাক লমদমসিদা পোকপা-চাউবা-হিংলকপা মীশক অমা ওইবগী চাউথোকচবা পোক্লম্বনি। ঙসি, পূন্সি'-নুমিদাংৱাইরম য়ৌরক্লবা মতমসিদা ইরমদমগী ফীভমসি অসি য়ৌনা শোক্লবরা খল্লুবদা নুংনাংই। খোয়রাংই, খোয়শাউনৈ। তাইনফম খঙদ' শাউনীংই।

পূম্নমকসি করিদইনো? মীকপ থোক্ত' পূম্বমখৈ তূম্লম্বা, কনানা মীকপ থোকহল্লকপনো? হৌদোকপনো কনানা? হৌখিবা কোরৌ-থাবুম কয়াসি ৱাখল লীশাঙ থারকই - ঐখোয় করি তৌগনি? মীকপ থোক্লক্লবদি করিগুম্বা খরা তৌগদ্রা? নৎত্রগা, হায়নবসু তাদবা, কৌনবসু খুমদবা, মানা মানা নীংবদু তৌনদুনা লেন্নবা, লুচিংবনা থল্লবা লুচিংবীন' লৈত্রবা খুন্নাইদুনি ঐখোয়গী, অমুক হন্না তূমথখি'দ্রা ঐখোয়বু! তাবীনবা লৈত্রবা অঙাওবগী চোইরোলসি, পাবীনীংবা অপাবা কনাগুম্বসু য়াওরমগদ্রা খন্দুনা ইরিবনি ৱারেংসি। খঙদুনা লৈর'ৱাসিবু কৈকান্নবা ইরিবা? হায়রকপসু য়াওগনি। অঙাওবগী চোইরোলসি নুংঙাইবসু য়াওবনি-খনবীবসু য়াওগনি। খুন্নাইসিনা অঙাওবনি শকখঙলবা ইবোয়াইমা, লম্বীদা পাউচেগুম্বা চেজেৎ অমা তারম্বা উবা য়াদবা, খুল্লগা পাদুনা শান্নবা, পারক্লিবা লোল'দুদি চেজেত্তুদা ইবা নত্তবা... অঙাওবনি খন্দুনা, ওফিস (বেঙ্ক) ঙাক্লবা থারকপা পুলিস কন্সটেবল অমনা নোংমা কৌরগা করেম কথায়নখিবদু নীংশিংলি ... 'ইবোয়াইমা! নঙগী পাউচে অদু মশক ফজবা বোর অমা পামজৈ কায়না ফোঙলকপা য়াওবরা - য়াওরবদি চান্স য়েংউদনা'? মখোয় পুলিস খরা ৱা লাউনা নোকমিন্নরি। মখোয়গী নাক্তা ইবোয়াইমা তূমিন' চঙলকখি। করেম কথাইনরক্লিবা সিফাইদুগী মনাক্তা অতম্নমা হায়রম্মী...'মিষ্টর কন্সটেবল। দোন্ট লফ এট অদর্স, বট স্মাইল... স্মাইলস আর ফ্রী, দিস্ত্রিব্যুট দেম ফ্রীলি' (অতোপ্পবু নোক্লগনু, মোমোন নোকউ মায়থোঙদা, মমল লৈতে' মোমোন মীনোক, লেম্না য়েল্লু মীঙোন্দা)...। ১৯৮৩দা য়ুনাইটেদ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া, লম্ফেলদা থোকখিবা থৌদোক্তু ঙসি ফাওবা নীংশিংলি। অঙাওবা ইবোয়াইমই ৱাহৈদু সিফাইশিংদুদি খঙলম্লোই। ঙাওবা নত্তে ইবোয়াইমা। মীনা মাবু খঙদবনি। ঙসিদি মহাক লৈতরে। মহাক্কুম্বা কয়াদি মশীং খঙদ' লৈহৌরি। ইশামকসু অমনি। মীমাঙ থোক্তে হায়বতনি।

২০২৩, মে ৩! নুমিত্তুগী মতুংদা ঙসি ফাওবদা থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোক মালেমদা শবাক ফাক্লবা, ময়ামসিগী মতুংদা - ঐখোয়বু অসুম্না লৈরিবসি হৌনব্রা? চহী অহুম ফাগদবা কোরৌ নুমিৎ খরনি'তা ঙায়রক্লবা মতমসিদা থোকখিবা থৌদোকশিং নৌনা অমুক নীংশিংলগুমসি, প্রসিদেন্ট'না লৈপাক ঙাক্লিবৈঙ, মতমদুদা ওইখিবা শক্তমশিং অমদি পোপ্যুলরদি ওইদবা পোপ্যুলর গভর্ণমেন্ট অসি লাক্লব'তুং ওইরক্লিবা শক্তম খরসিতংদি নীংশিংদুনা শান্নসি।

ঈংবা-তপ্পা-পূন্সি-মহীং, লো এন্দ ওর্দর ঙাকপা ঙম্নবা লৈঙাক হায়বদুদি লমদমসিদা লৈরকখিদবা কুইরক্লে। দিষ্টর্ব ওইরবা ষ্টেট অমনি লাউথোকখিবা চহী নিফুমঙা-তরুক হেল্লক্লবা ফাওবদা ফগৎলকপা লৈতনা, হেন্না ফৎচিল্লক্তবা... কন্ট্রোল ৱাংমদা লৈখিদুনা ষ্টেট-আইদেন্টিটি মাঙখিগদ্রা চিংনরক্লে...। অসিগুম্বা তানফম য়ৌরকপসিদদি ঈরৈচাশিংদা ৱাফমসিমত্তং হঙ্গৎচনীংই- ঐখোয় ইশানা ইশাদা হঙ্গৎন'মুক্তং য়েংজসি। হৌখিবা পূন্সি'তাঙ্ককশিংদা ঐখোয়না করি অরানবা তৌখিবা? অরানবা খোঙথাঙদু চুমথোক্লবা কৈদৌঙৈ হোৎনখিবগে?

য়েস! ঐখোয়গী অহানবা, অরানবা খোঙথাংনি - ইন্দিয়ন য়ুনিয়ন'দা তিল্লুবা! মহারাজ বোধচন্দ্রবু শিলংদা কৌদুনা 'তিনশিন-ৱারোল' (মর্জর এগ্রীমেন্ট) নমদুনা খূৎয়েক লৌবা-হাক্তক', আইরন-মেন-ওফ-ইন্দিয়া'না... 'মফমদুদা আর্মিগী বৃগেদিয়র অমত্তা লৈতবরা'... হায়না হংলকখিবগী ফুঙ্গা ৱারীগুম মমিং চৎল'-ৱারীদু ঙসিগী মীরোলসিদদি লীবীগনি কনানা? ইন্দিয়াগী হোম সেক্রেটরি ওইরম্বা ব্যুরোক্রেট ওফিসর, নোর্থ-ইষ্ট-এক্সপর্ট অমনা (মমিংদুদি পঞ্জরোই) হায়খিবদু নীংশিংই ... 'মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিনখিবদু লমদমসিগী ওইনদি, খ্বাইদই চাউবা, অরানবা খোঙথাং অমনি'...। মহাক্লা মখা তাখিবনি ... 'লমদমসিদা থোক্লিবা, তাইশিনবা ৱারবা প্রোব্লেম কয়াগী মরূসু, নীংতম্লম্বা লৈপাক অমবু পার্ট-সী-ষ্টেট অমগী থাক্তা থমদুনা ওফিসর মচা (চীফ কম্মিস্নর) অমদা ষ্টেট-লৈঙাক শিন্নখিবা অদুনি... ইন্দিয়া ওইরবা মণিপুরগী অহানবা লৈঙাকপা (কম্মিস্নর) অদুসু শুপ্পগী নুমিৎ হুম্নিতমক মথৌ তৌহনখি ... ইন্দিয়া-পাকিষ্টান খায়দোকপগী তুংওইনরকপা ৱাথোক শেন্নরিঙৈ মণিপুরগী খনবা শংখিদে... নবেম্বর ১,১৯৫৬, পার্ট সী ষ্টেট ওইরম্বা মণিপুর, য়ুনিয়ন টেরিটরি অমগী থাক্তা ইনখৎলকখি... অদুগা, চহী তরুক্কী তুং, অসাম ষ্টেটকী মনুং চন্না 'নাগা হীলস দিষ্ট্রিক্ট হায়না খঙনরম্বা হিল-দিষ্ট্রিক্ট অমবু 'ষ্টেট অমা ওইরে' লাউথোক্তুনা নাগালেন্দ ষ্টেট শেম্লকখি। চহীদুমক্তদা পোকখি মণিপুরগী অহানবা লালহৌ-লূপ 'য়ুনাইটেদ নেশনেল লিবরেশন ফ্রন্ট'। ইন্দিয়াদা তিনবা চহী কুনমঙা'তা ঙায়রিঙৈ, ইন্দিয়াদগী তোঙানবা, নীংতম্বা লৈপাক ওইজরগে হায়বগী অকনবা লালহৌ! নীংতম্বই লালহৌদু ষ্টেট-হুদ পীরগা ঈংথখিনি খনবরা? ১৯৭২ জন্যুৱারী ২১-ইন্দিয়ন প্রাইম মিনিষ্টরনা 'মণিপুর' ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমা ওইরে লাউথোকখি।

পোলিটিকল-মুভ খুদিংমক, প্রোব্লেম সোলবিং মুভ অমা ওইবই মহুৎ, অতোপ্পা ৱাথোক অমগী মরূ হুনবগুম্না থোকখ্রিবসি করিদইনো? কনানা কৈদৌঙৈ খন্থখ্রগে? ৱাথোক পূম্বই ৱারুদি পোলিটিক্সনি, পোলিটিসিয়ন'না পোলিটিক্স হৈতবদই থোকপনি। ৱাফমসি পোলিটিসিয়ন'না খঙদবা, মরাল য়াবা ঙমদবসিনি অৱাবা।

মে ৩,২০২৩দগী ঙসি ফাওবা থোক্লিবা থৌদোক-ৱাথোক, মীহাৎ-মীপূন...কুকি লমহেন-তুহেনবশিং, লাক্লা ফানা ঙমদ্রবা শাহিং চাবা লমশাগুম, কনানা মনীং তমহনবনো? হৌজিক ফাওবা খঙদ্রবা, তৌরুরনু পোলিটিক্স। শাহিং চাবা লমশাবু পাউতাক ৱারী লীরগা হর্বিবোরস (মনা-মশিং চাবা শা) ওইরকপা থেংনবীখ্রব্রা? টেররিষ্ট থেংননবগী অমত্তা ঙায়র' পাম্বৈনি - তান্না তান্না হাৎতোকপা! ইন্দিয়ন আর্মদ-ফোর্সেসনা কাশ্মীর অমসুং ছটিসগর'দা তৌরিবা থৌওং অসিখক্তনি। টেররিষ্ট'কা আর্মিগা মরুপ মপাঙ ওইনবা, মণিপুরদখক্তনি উগদবা মালেমদা! অদুসু কুকিখক্তগা। লৈপাক ঙাক্লোন (কন্সটিট্যুশন) দুমক্লা পীরবা শক্তিদুফাও শীজিন্নজ' ঙমদ্রবা শীজিন্নবা ঙমদ্র'সু অঙম্বা মবুংঙোদুদা 'মদু তৌ'-হঙ্গৎচবা ঙমদ্রবা! নখোয় খরা অসিদি পোলিটিক্সতই পোথাখো, নমায় ওনশিল্লক্কনু। য়েংনীংদবই মথক্তা নমিং ফাওবা তানীংদে।

এপ্রিল ৭কী মতুংদা নখোয়না ঙাঙলি শক্লিবা, নথৌ ফবা শারিবা-তানীংলম্লি খনবরা? ঐখোয়সিবু নখোয়না ষণ ওইনা উবরা... অরর-তিতি-রো রো হায়না চৈ থারিমখৈ হোইনীংবা মায়কৈদা হোইদুনা পুবা য়াগদবা? খঙই ঐখোয় - মমীৎ লাওবা, নাতোনজাও, মতু চোম্বা য়োংজাওদুনা পীবা য়াথংদা পাউহংদনা ইল্লিবা, মপূ নীংবা য়োংনাউ ওইরবনি নখোয়দি। নমীত্তা খুদোম্বী থিন্দুনা অচুম্বা মশক উৎলসু উররোইদৌ' মীৎস্নানি। থা তরা ফাদ্রেদনা নখোয়'মুক থোঙজিনসিদা লাক্তৌবা। মসিমদি খঙনৌকো- বিহার অমসুং অসামদা নুপীশিংগী শেঙ্গাওদা লিশীং তরা হাপ্পগা থম্বালগা খুৎশিন্নবা হোৎনবা, মদুই মতৌ তমদুনা করাম চাওবী, জর্দা চাবী খুজোক খরা অরোনবা কাদা কৌদুনা নুপী লিশীং মঙা-তরা ফাননবা হোৎনরিবশিং! চেকশিনজেকৌকো- থম্মোয়-মৈ-ৱায়রবী, ভৈরবী'-শক্তম-লৌরবী, মৈরা পায়বী খূৎপু-খূৎপু, শঙ্খু-শঙ্খু খোইরেন মসা পাইবগুম পাইরিবনি মায়কৈ শিন্না। নয়ূমদুদা পাইশিল্লক', নমায় নমীৎ খঙদনা য়ুরক্কদবা মমূশিং! শৎপা ঙল্লোইদবমক্তনি। ●

# সাহিত্য একাদেমিগী ফেষ্টিবেল ওফ লেটর্স ২০২৬কী মপাউ - অনীশুবা শরুক



**- তোংব্রম অমরজিৎ -**

ইন্দিয়ানা বৃটিশ লোইলম লৈঙাক্তগী নীংতম্লবা মতুং কুমজা ১৯৫৪দা লৈবাক অসিগী নেশনল একাদেমি ওফ লেটর্স, সাহিত্য একাদেমি লিংখৎখি। পাক চাউখ্রবা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা লোল ২৪বু শকখঙদুনা লোলশিং অসিদা ইরিবা খোরিরোলবু হেন্না মশক থোক্লা হিংনবা অমদি চাওখৎনবা সাহিত্য একাদেমি এৱার্দশিং, গ্রান্ট, পব্লিকেশন্স, ৱার্কশোপ, এগজিবিশন, ফেলোশিপ অমদি খোরিরোলগী থৌরম্নচিংবা কয়া পাঙথোক্তুনা লৈবাক অসিগী ইনাকখুল্লবা খোরিরোলগী ত্রেদিশন অসিবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা লেপ্তুনা হোৎনদুনা লাক্লি। কুমসি ২০২৬তসু সাহিত্য একাদেমিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ফেষ্টিবেল ওফ লেটর্সকী নীনি চনবা নুমিৎ মার্চ ৩১গী নুংথিল পুং ৫ তারকপদা কুমজা ২০২৫গী লেমজনীংঙাই ওইরবা সাহিত্য একাদেমি মনাশিং লান্থোকপগী থৌরম অমা কামানি ওদিটোরিয়ম দেল্লীদা পাঙথোকখি। সাহিত্য একাদেমিগী হৌজিক হৌজিক সেক্রেটরিগী থৌ পুরিবী পল্লাভি প্রসান্ট হোল্করনা মহাক্কী তরাম্না ওকপা অমদি নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা হায়, "This is the ceremony in which Sahitya Akademi awards best literary creations in the 24 languages. Sahitya Akademi awards specific works in a particular language but these awards are much more than that. It is our way of saluting the hoary traditions from which each author hail. At the ground level, every literary award enhances and widens the writer's world…awards empower authors to make a lasting impressions in their respective cultural and literary milieus." সেক্রেটরিনা ফোঙদোক্লিবা ৱাফম অসিমক মচং ওইবা ৱারোলনি। খুন্নাই অমদা অইবশিংনা হোৎনরিবা পূম্নমক ফূরূপ অমা, খুন্নাই অমা অফবা মায়কৈদা লমজিংনবনি। অসিগুম্বা ফূরুপকী থাক্তা ইকায়খুম্নবা অসিনা লমদম অদুগী কলচর অমদি ত্রেদিশনবু ঙাকপদা লোল অমবু হিংনবদা চাউনা তেংবাংলি। একাদেমি অসিগী থৌপুরেল, ডা. মাধব কৌশিকনসু হায়, "Sahitya Akademi Awards represent oneness of Indian literature and culture. It's a way of celebrating the diversity of Bhartiya Sanskriti…" সাহিত্যগী ওইবা চাউখ্রবা ফম্বাক অসিনা চাউখ্রবা লৈবাক অসিগী অপূনবগী শক্তম শাগৎপদা শীংথানীংঙাই ওইনা তেংবাঙলি। হিংলিবা লোল, কলচর অমদি ইনাকখুল্লবা কলচরগী মিহুল অদুনি সাহিত্যদা ফোঙদোক্লিবা। সাহিত্য একাদেমিগী থৌবুরেল ডা. মাধব কৌশিকনা সাহিত্য একাদেমি এৱার্দিশিংগী মফমদা লেমজনীংঙাই ওইরবা মনাশিং মথং-মথং লান্থোকখি। হায়রিবা লেমজনীংঙাই ওইরবা মনা অসিদা শেল ওইনা লুপা লাখ অমা, সাত্যজিৎ রেনা দিজাইন তৌবা কোরিগী প্লেগ অমা অদুগা সাইটেশন অমদি সোল অমা য়াওরি।

মণিপুরী লোলগী ওইনা চাওথোকচনীংঙাই ওইরবা মনা অসি অইবী হাওবম নলিনিগী 'কংলমদ্রিবা ঈফুৎ' হায়না মিংথোনবা ৱারীমচাগী খোমজিনবা লাইরিক অসিদা পীখি। শক্লাইরবী অইবীসি মার্চ ১,১৯৫৭তা কাংঙবম লৈকায় ইম্ফালদা পোকখি। মহাক মণিপুরীদা এম এ অমদি পি ঐচ দিনি। ককচীং কোলেজদা লেকচরর ওইরম্মী। দি এম কোলেজ ওফ টিচর এদ্যুকেশনদগী এসোসিএট প্রোফেসর ওইনা কুমজা ২০২২দা থবক্তগী পোথারে। ইবগী লম্সিদা কুমজা ১৯৭৬তগী ইচং থৌনা চঙশিল্লকখি। মশাগী লাইরিক মাপল ফোঙখ্রে। পনবা য়াবা খরদি - 'সনামনিক', 'কর্ফিয়ুগী অহিং', 'চিরুগী ঈশৈ', 'পুন কংনালবী' অসিনচিংবনি। মহাক্লা মণিপুরী খোরিরোলদা তৌরিবা খুদোলশিংবু শকখঙবা ওইনা তোঙান তোঙানবা মনা কয়া পীদুনা ইকায়খুম্নখ্রবা অইবীনি। হন্দক সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ ফংলবা অইবী নলিনিগী 'কংলমদ্রিবা ঈফুৎ' হায়না মিংথোনবা ৱারীমচাগী লাইরিক অসি ফজবা মফোঙদোক, শীজিন্নরিবা লোলগী ফজবা, অইবগী কল্পনাগী শক্তি অমদি অনৌবা মণিপুরী ৱারীমচাগী খূৎই অসিদা মীওইবগী থম্মোয়দা লৈরিবা নুংশিবা, থাজবা অমদি আশা কয়া পীরিবা অসিবু শকখঙবা ওইনা একাদেমিগী মনা অসি পীরকপনি। মসিনা ইন্দিয়ান ফিক্সন রাইটিংদা চাউরবা খুদোল অমদি তল্লে। সাহিত্য একাদেমি মনা লান্থোকপা লোইরবা মতুংদা নাৎকী ওইবা কলচরেল থৌরমশিং মথং-মথং খুদোল তমখি।

নীনি চনবা নুমিৎ অসিগী অয়ূক্কী সেশনদা য়াম্না মরু ওইবা অমদি মতম অসিগসু য়াম্না মরী লৈনবা হীরম অমগী মতাংদা পেনেল দিস্কশন "Today's Algorithms and Tomorrow's Society- Panel Discussion on Living with Machines" হায়বসিদা C. Mrunalini না মোদরেটর ওইনা শরুক য়াদুনা শক্লাইরবা স্কোলর অমদি এক্সপর্ট মঙানা শরুক য়াখি। হৌজিক হৌজিক আর্টিফিসিএল ইন্টলিজেন্সনা ঐখোয় পূম্নমক্কী পূন্সিদা পীরিবা কান্নবা অমদি মসিগী মাঙজবনা করি হায়বসিদা কুপ্না খন্নখি। মেছিননা থবক তৌরিবসিদি দাতাদনি অদুগা ইমোশনদি য়াওবা নত্তে। পূম্নমক য়ারে হায়রগসু মীওইবগী পূক্লিং থম্মোয় অমদি নুংশিবা হায়বসিদি বিজ্ঞাননা ফনা য়াম্না চাওখৎলে হায়না খল্লবসু মহুৎ শিনবদি ওইথোক্লোই। শরুক য়াখিবা অইবশিংনা মেছিনগী অমদি এ আইগী মেরিট অমদি দিমেরিটশিংবু নৈনখি। লৌউ-শিংউগা মরী লৈনবা লোল ফাওবা ঙসিদি চাওখৎলকপগী মতুংইন্না মেকানাইজ তৌখিবনা তপ্পা-তপ্পা কাউনরক্লি। শীজিন্নদ্রবদি মশানা অদুম্মক অকাউবগী ঈরোননুংদা লুপখিবা তাবনি। অদুনা ঙসিদি মণিপুরদা খুল্লং ঈশৈ ফাওবা তপ্পা-তপ্পা মমি শাল্লক্লি। মসিদনি সাহিত্যগী মরু ওইরক্লিবসিসু। অইবশিংনা মসিবু ইদুনা থম্বা অমদি রিছর্স তৌদুনা দোক্যুমেন্টেশন তৌবগী তঙাইফদবা কয়া লৈরি। অহোংবা অওনবা হায়বসি ঐখোয়না থিংলুবা ঙম্বা নত্তে। মসিদি তাইবঙগী মচৎনি। অদুবু অইবশিংনা অফবা ফজবা অমদি অচুম্বা মায়কৈদা অহোংবা অওনবদি উনীংই অমদি লমজিংনীংই।

নুমিৎ অসিগী মরু ওইবা সেশন অমনা "Roots of Imagination- Panel Discussion on the Epics & Kavya Poetry of India" হায়বসিনি। থৌরম অসিগী মোদরেটরনা শক্লাইরবা স্কোলর Harekrishna Satapathy না ওইখি। ইপিক অমসুং কাব্য খুদোল তল্লিবা লৈবাক অসিগী ইনাকখুল্লবা লিটরেসি ত্রেদিশন অসি ঙসিগী মীরোলনা হঙ্গৎনা য়েংদুনা পাবা অমদি নৈনবসু য়াম্না মরু ওই। মালেমগী খোরিরোলদা,লাইনীং লাইশোলদা, পূন্সি মহিং, থাজনবী-চৎনবী, মহৌশাগা মীওইবগা, লম্লক্কী শা-উচেক্লা মীওইবগা লৈনরিবা মরী অসিনচিংবা থাদোক্লবা য়াদ্রবা মরী কয়াদা চাউনা ইথিল পীরিবা মহাভারত অমদি রামায়ননা ইপিকশিং অসিগী মরু ওইবদু স্কোলরশিংনা কূপ্না নৈনখি, মাগী মাগী ওইবা ৱাখল মীৎয়েং কয়া ফোঙদোক্লদুনা। মোদরেটর ওইখিবা শক্লাইরবা স্কোলর Harekrishna Satapathy না হায়, "The Epics of India, the Mahabharata and the Ramayana, is part of consciousness of masses and there is no region or language or community where it doesn't have any presence. There are four important elements in the Indian literary culture, viz., Tyaga (sacrifice), Tapasya (penance), Tapasvi (sage) and Tapovan (the forest) and the makers of these great Epics possessed all the three and lived in the fourth" অইবশিংগী কল্পনাগী হৌরকফমদি মহৌশানি। মহৌশাগী মশাইকোলদগী লাপথোক্লকপদা মীওইবনা থেংনগদৌরিবসি হেন্না খুদোংথীবনি। মহৌশা হায়বসি ঐখোয়না মীরায়বা খক য়াদে। (মখা চথ্থজরকখিগনি) ●

# বাংলাদেশতা অহিং অহুম -১৯

**- আর কে বুধিমন্ত কর্টা -**


বাংলাদেশকী লৈমায়দা মসা-মরেং ফন্না সনা খোঙনাংগুম মণিপুরী সাহিত্যগীদমক কথোক্লবা ওজা অনন্তকুমার সেরাম ময়াম্না এ কে সেরাম হায়রগা খঙনবা অমসুং মণিপুরগী অরঙবা থৱান্মীচাক ওইবীরিবা ওজা সরতচান্দ থিয়াম অনীনা মরীক চুম্না বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদকী সনা ফুদোংবা লোইশিনবগী থৌরম, নুমিৎ অসি ফাওবগী হৌখ্রবা নুংশিরবা ৱারী কয়া মরীক চুম্না থম্বীখ্রে। ফজবা পোইন্ট কয়ানা মীয়াম্বু পূক্লিং লৌশিং ওইহনখি অমসুং পেলহনখি।

নাম্ব্রম সঙ্করনা থৌরম মখা চথ্থরকপা ওইনা কৌথোকপীরক্লে - কবি রাজকুমার বুধিমন্ত, এদভাইজর শাথৌলূপনা গেষ্ট ওফ ওর্নরগী ৱারোল থম্বীনবা হায়না! সাহিত্যগী লম্‌দা করিসু খঙজদ্রিবা ঐহাক্কী মিংবু কবি হায়না পল্লগা মীয়াম মাঙদা কৌথোরকপদা মতিক চাজদ্রিবা ওইবনা ঐ ইকায়বা অমদি ফাওখি, নুংঙাইবা অমসু ফাওখি। ঐনা খঞ্জখি - খূৎতা তুরি পায়রগা অপোকপা ইপানা হৈনা চৎপা তম্বীরকপদগী, তশেংবদি ঐগী শিনফমদি লাই য়েকপনি। ঐগী অপোকপনা ঐবু লাইয়েকপা হায়রিবা শিনফম অসিনা ঐগী পূন্সিগী হিংনবগী শিনফম অমা ওইহৌনবা হোৎনবীরম্বা পূম্নমক খংনীং নীংশিংলকই। ইপাবু খুরুমজরি, নচা ঙসিদি লাই য়েকপনা শিনফম ওইরবসু শিনফম অসিগা খ্বাইদগী নক্লবা মরী লৈনরিবা খোরিরোলগী ঈপাক্তা হৈত-হৈত খোঙ থাংজিল্লুবনা পূক্লিংদা খংফাও ফাওরকপা, নুংশিবগী, পেন্দবগী খোল্লাও কয়াবু কেনভাস থক্তা ফোঙদোকপদা মপূং ফাবা ঙল্লোইদবা কয়াবু ৱারেং-শৈরেং ওইনা ইদুনা করম্বা ৱাহৈনা ফোঙদোকসিগে থিরকপদগী, ৱারেং-শৈরেং অমা/অনী ইজরুবদগী ঙসিদি ঐহাক 'কবি' হায়বা ৱাহৈ অসি ঐগী মীংলেনগী মমাঙদা তপ্পা ফংজবসি নুংশিবী বাংলাদেশ অসিদা ওইহনবীরে। ৱাহৈ অসি অতোপ্পা মীওই অমগী মীংলেন্দা হেক্তা তপ্পা য়াররোইদবা ৱাহৈ অদুনি ঙসি ঐহাক্লা বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদকী সনা ফুদোংবা লোইশিনবগীথৌরম অসিদা ফংলিবা। ঐহাকপু কয়াদা ৱাংনা পুখৎপীরিবা। থাগৎচরি বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদপু হন্না হন্না।

ঐহাক পোদিয়ম তম্না চঙশিল্লে, তশেংনা পাখৎপা অমা ফাওজৈ মরমদি বাংলাদেশ মণিপুরী শক্লাইরবা, শক্লাইরবী, লাই-গুরু, ইচিন-ইনাও, ইচে-ইচন, ইনে-ইন্দোন পূম্নমক তিল্লরবনিনা। তিল্লিবা ময়ামদুগী মরক্তা বাংলাদেশকী শক্লাইরবী মণিপুরী দান্সর Tamanna Rahman সু য়াম্না কেনা লৈ মচুনা মোইরাং ফী মপান চনবা নীংথিরবা অঙানবা অতিয়া মচুগী শাড়ি মতেক অমা শেৎলদুনা, থম্বাল মচুগী ফনেক ময়েক নাইবা অমা শেৎ, শল্লাংগী ওইদা নাচোম অমা থেৎ, কোইরাওনবী মিৎস্না অনীদা অমুবা কাজলনা পেন্না থা, ঙাংশং ঙাংনা থারবা পীক্তক তৌবা কোমলা মশুং মাল্লবা চিনবালদুনা খোইরুম মোমোন নোক্লা মাঙদা ফন চোংথোক্লা ফম্বা উরে, য়াম্না পকচৈ মহাক্কী মতৌদো। বাংলাদেশকী শক্লাইরবী দান্সর Warda Rihab সু কোমলা মচুনা পাক্লা ফিবান ওইবা অঙাংবা মচুগী শাড়ি অমা শেৎলদুনা Tamana গী ওইদা ফম্বদু উরে। লৈকোলগী মেম্বরশিংসু উই। তিল্লিবা মীয়াম মাঙদুদা করম্বা ৱাহৈনা ময়ামগী পূক্লিং চিংশিলহনবা ঙমগদগে খল্লুবদা পাখৎচৈ। দাইজদা ফম্লিবা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিংবু কোক নোন্দুনা নোল্লুক্লবা তুং তিনবীরিবা ময়ামগী মফমদসু নোল্লুক ৱাহৈ থল্লে। ঐনা ইহান হান্না পঞ্জবসি - ঐনা ঙসি বাংলাদেশকী লৈমায়দা ৱা ঙাঙবা ফংজরিবসি ঐনা ৱারেং-শৈরেং খরা-খরা তম্বা ওইনা ইজরুবদগী ঙসিদি ঐহাক বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদকী সনা ফুদোংবা থৌরম অসি য়াওবা ফংজরিবনি। ঐগী পূন্সিগী খ্বাইদগী নুংঙাইবা মীৎকুপ অমা হায়বদো ফংজরে অমসুং পূন্সিগী কাউঙল্লরোদবা মীৎকুপ অমসু ওইহৌরনি হায়রবা তুং, ... ঐ করি মখা তাসিগে পূক্লিংদা খঞ্জে, অইবা চে ওইনসু পাহৌদবগুম তৌ, মীয়াম মাঙদা ৱা ঙাঙবা হায়বসি অরুবা অমনি। লাইওইখ্রবা কবি এলাংবম নিলকান্তনা হায়রম্বা অমা খংনীং নীংশিংলকই মদুদি - "সভা হায়বসি মী মরিবু তিল্লবদি সভানি। সভাদা ৱা ঙাঙবা হায়বসি চেকশিনগদবনি"...

ৱা ঙাঙবা হৈবা, মীবু তাহন্নীংবা লৈসি-লৈথোনবা, অতাবগী থম্মোয় য়ৌহনবা ঙম্বা অমসুং মরু ওইবা পোইন্টতমক ঙাঙগদবনি হায়বসি খঙলবসু থকৎপোই লাকপোই ঐগী কোক্তা পাইশিল্লক্তবগী অৱাবা মতেক অমা য়াওখি - ঐনা মখা তারকপদা পল্লি। ঙসি মালেমসিদা মণিপুরী মৈতৈ ঐখোয়গী ইয়ূম অনীখক লৈ ইন্দিয়াগী ৱাংমদা। ইয়ূম অমনা ম্যান্মারনি অমনা বাংলাদেশনি অদুবু ঐখোয়না তোয়না চৎপা ঙমদবা অমসুং খুদোং চাদবা কয়ানা ঙসিদি ম্যান্মারদা চোইনা চোইনা খুন্দারিবা মণিপুরী মৈতৈশিংগা নক্লবা মরী অদু ফনয়াম লাপথোক্লুরে। মরক-মরক্তা থিজিল্লোইশিং, লল্লোন ইতিক তৌবা, লম কোয়বদা উন্নবা নত্তনা। ম্যান্মারগী লৈঙাক্লা মখোয়গী ওইবা লোন্দা মিং থোন্দবা য়াদবনা মখোয়গী মিং অনী-অনী লৈ, মৈতৈগী মিংদি কয়াবু শীজিন্নদ্রে। মৈতৈলোল ফজনা ঙাঙবা য়াম্না হন্থখিবনা মৈতৈলোল খঙবা য়ামদ্রে ফিজোলসু ম্যান্মারগী ফিজোল ওইনা শেৎখ্রে। অদুবু বাংলাদেশতদি, ঙসি ঐখোয়না মফম অসিদা লাকপদা থম্মোয়দা ফাওরিবা অসিদি ঐখোয় বাংলাদেশতা লাকপা মান্দে। ঐখোয়গী ইয়ূম মণিপুরনি হায়না অদুম খনবা ঙম্বা অদুমক ফাওহল্লি...।

ঙসি বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদকী সনা ফুদোংবা লোইশিনবগী থৌরম অসিদা সংসদকী মেম্বরশিংনা সনা ফুদোংবদগী থক্তোরকপা মঙালগুম অঙানবা নাপু মচুগী চপ মান্নবা পুময়াৎ অমমম থোনবা উবা ফংজবসি থম্মোয়দা নুংঙাইবা অমা ফাওজে। সংসদ অসিগী পুকচেল খোইজেল তিন্নবা, লীংজেল মান্ননা, হায়নখিবা ৱাফম ইশা ইশানা ঙাক্লা চৎপা ঙম্বা উবদা নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি হায়না পল্লি। সংসদকী নুপী মেম্বরশিংসু অদুম মঙাই, সনা মচুগী ফনেক ময়েক্লাইবগী মথক্তা চপ মান্নবা ঙৌতক তৌবা, ফিবান্দা সনা অহিংবা মানবা মচুনা ফিবান চনবনা শাড়ি মতেক চপ মান্ননা শেৎপা উবদা পূক্লিংদা অপেনবা ফাওজৈ। লিংজেল মান্নবা অদু উৎপনি। নহারোল ভোলন্টিয়রশিংসু সংসদকী সনা ফুদোংবগা মরী লৈননা পুথোকপা শংবান্নবা টি-শর্ট অমমম লিৎতুনা থৌরম অসিবু করিদা শোয়খিগদগে হায়না খিং-খিং লাওনা হোৎনবা পূম্নমকপুসু থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়না ৱা ঙাঙবদা পঞ্জে।



অইবা বুধিমন্তনা ৱা ঙাঙবা

পুৱারীগী ৱারী মতেক অমসু ৱা ঙাঙবদা য়াওখিব্রা হায়না খঞ্জে। ঐনা ৱা ঙাঙবদা পঞ্জখিবা অমদি - ঐ হৌজিক হৌজিক মণিপুরী পাউচে 'হুইয়েন লানপাউ'গী কলমনিষ্ট অমা ওইজরি মরম অসিনা বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদকী সনা ফুদোংবগী থৌরম অসিগী য়াওবা লাকচরিবা, খোঙচৎ অসিগী পাউদম ওইনা লমকোয় ৱারী অমা ইবা ঙম্বগী থৌনা অদু পীনবীয়ু হায়না মীয়ামদা থমজৈ। ৱাহৈ অদু তাবদা ময়াম্না খূবাক খুবীরকপগী মখোলদুনা ঐঙোন্দা থৌনা ওইনা হাপখি। থৌরম খরা থেংনা হৌখিবনা লঞ্চ মতম ওইরকপনা ওইবতাই মীয়ামদুগী মরক্তা খুদাং ঘড়ী থাঙ্গৎলগা য়েংবা য়াওনবদো করম হায়না উরুরিনো খঙদে ঐহাক্লা, হেক উরুরে। ঐ তেনশিন্নবা হোৎনরে। ঐ মতম শাংনা লৌজররোই পূম্নমকপু খুরুমজরি হায়না শুপ্পগী মিনট ১৯ খক্তং শাংনা ঐগী এদ্রেস অদু পীজখি।

ঐনা ৱা ঙাঙখ্রবা তুং, অনীশুবা গেষ্ট ওফ ওর্নর ওইনা ওজা ডা. এল রামেশোর, জোইন্ট সেক্রেটরি মণিপুরী সাহিত্য পরিষদপু কৌথোরক্লে, ওজা রামেশোরনা হায় - য়াম্লুংগী এদ্রেসতা পনবীরম্বা ম্যান্মারগী মতাংদুদা ঐনা মখা তানা খিত্তং শমজিঞ্জগে পল্লদুনা মহাক্লা ম্যান্মার চৎলুবদা থেংনরকপা কয়াবু মরীক চুম্না মীয়াম মাঙদা থম্বীখি। ওজা রামেশোরনা থৌরম অসিগা মরী লৈনবা পূক্লিং লৌশিং ওইগদবা ৱাফম কয়াসু নীংথিজনা পনবীরম্মী।

মথংদা 'লৈকোল' গী জেনরেল সেক্রেটরি ওইবিরিবী গুরুঅরিবম ঘনপ্রিয়াসু অহুমশুবা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা মহাক্কী নুংদা লৈবা ৱাফম কয়াবু ফোঙদোকচবগী তাঞ্জা ফংজখি। সাহিত্যে অমসুং কলচরগী ওইবা থৌরম কয়াদা ৱা তোয়না ঙাঙবনা ঘনপ্রিয়াগী এদ্রেস অদু তাবদা নুংঙাইখি। হৌনবী মতুংইন্না থৌরম অসিগী প্রসিদেন্ট ওইবীখিবা ওজা এল প্রসান্ট কুমার, কনভিনর গোল্ডন জুবিলি সিলেব্রেশন কম্মিটিনা প্রসিদেন্টকী ওইবা ৱাফম থম্বীখি। ওজানা পনবীখিবা ৱারোলশিংদুসু নুংশিবা ৱাহৈ ৱাতানা য়োমদুনা থম্মোয়নুংদগী থোরকপনি। ফজে তাবদা নুংশিখি অসুম্না প্রসিদিয়ম মেম্বরশিংগী ৱা ঙাঙবা লোইরবনা হৌনবী মতুংইন্না ভোট ওফ থেঙ্কস পীরবা তুং তিনবীরম্বা পূম্নমক মণিপুরী কলচরেল কমপ্লেক্সকী ফর্ষ্ট ফ্লোরদা চাকলেন লৌননবা ঐখোয় ময়াম হুপ্না চঙনরে !!!

(...মখা চথ্থজরকখিনি)

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।